# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র বোম শানবা প্লুটোনিয়ম পুথোক্লি : য়ু এন, য়ু এস



ৱাশিংটন, জুন ০৮ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী য়োংবিওনদা লৈবা মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র কমপ্লেক্সতা ফ্যুঅল রিপ্রোসেসিং প্লান্ট অমা নৌনা হৌদোকখ্রে হায়না য়ু এস অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিসলশিংনা হায়রি। প্লান্ট অদুনা শীজিন্নখ্রবা রিয়েক্টরগী ফ্যুঅলদগী প্লুটোনিয়ম লৌথোক্লবা হোৎনৈ হায়রি।

সাউথ কোরিয়ন ওফিসলশিংনা হায়রি, মখোয়না ওইরক্লিবা ফীভমশিংদু কুপ্না য়েংশিল্লি অমসুং পিয়োংয়াংগী ন্যুক্লিয়র এক্টিভিটিশিংনা মখোয়বু নুংনাংবা পোকহল্লে। মালেমগী ওইবা খুৎলাই শাবগী থবক থাদোল্লগা তেংবাঙ পীবগী দিল অমগী শরুক অমা ওইনা রিপ্রোসেসিং প্লান্ট অদু কুমজা ২০০৭তা থিংজিনখিবনি।

ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সী (আই এ ঈ এ)না হৌখিবা চহীদা হায়খি মদুদি, সেটলাইট মোনিটর তৌবদা য়োংবিওনদা অমুক হন্না থবক পায়খৎপা হৌবগী খুদমশিং উবা ফংখি।

খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংশিং অসিনা নোর্থ কোরিয়াগী মালেমদগী নাইতোম ওইনা লৈরিবা রেজিম অদুনা মালেমগী অকনবা অথিংবা কয়া লৈদুনসু ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং শানবগী মচাকশিং লেপ্তুনা পুথোক্লবগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়বা তাক্লে হায়রি।

মশক মমিং তাকথোক্তবা য়ু এসকী ওফিসল অমনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা প্লুটোনিয়ম ফংনবা রিপ্রোসেসিংগী থবক পায়খৎলক্লিবা অদুনা য়ু এসপু নুংনাংবা পোকহল্লে। তৌইগুম্বসুং মহাক্না হীরম অসিগী মতাংদা লৈরিবা য়ু এসকী পাউখুমগী মরমদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিদে।

"নোর্থ কোরিয়াদা তৌরিবা খূদিংমক নুংনাংনিঙাই ওই" হায়না ওফিসল অদুনা রোইটর্জদা হায়খি।

"মখোয়না য়োংবিওনদা লৈবা মেগাৱাট মঙাগী রিয়েক্টরদগী শীজিন্নখিবা ফ্যুঅল লৌই অমসুং মদু ঈংথহল্লগা রিপ্রোসেসিং ফেসিলিটি অদুদা পুই। অসুম্না মখোয়না মমাঙগী ন্যুক্লিয়র টেষ্টশিং অদুগী প্লুটোনিয়ম ফংখি। মখোয়না মদুগী প্রোসেসতু নৌহৌননা অমুক হৌরক্লে" হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি। "মখোয়না হৌজিক তৌরিবদু মদুনি।"

হৌখিবা জন্যুৱারীগী অথেংবদা মরিশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৩দা য়োংবিওনদা লৈবা মেইন রিয়েক্টর অমসুং অপীকপা প্লান্ট অমা য়াওনা ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটি খূদিংমক নৌনা থবক হৌরগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াবু য়েংশিনবা ঙমদবা ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সী (আই এ ঈ এ)না সেটলাইটকী মতেংনা নোর্থকী এক্টিভিটিশিং মোনিটর তৌরদুনা য়োংবিওনগী থবক নৌহৌননা হৌবগী খুদমশিং ফংলে হায়না হৌখিবা চহীদা ফোঙদোকখি।

আই এ ঈ এগী চীফ য়ুকিয়া অমানোনা হৌখিবা নিংথৌকাবদা ভিয়েনাদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি মদুদি, য়োংবিওনদা নৌনা প্লুটোনিয়ম রিপ্রোসেসিং তৌবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌবগী খুদমশিং ফংলে। প্লুটোনিয়ম রিপ্রোসেসিং অসি য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্ট নত্তবা অতোপ্পা বোমগী মচাক ফংনবগী লম্বী অমনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা রুলিং ৱার্করস পার্টিগী তাংলবা কোংগ্রেসতা নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী মশা ঙাকথোকচনবগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী পাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর হান মিন-কুনা হৌখিবা থাদা ফোঙদোকখিবা অমদা নোর্থকী প্লুটোনিয়ম কে জি ৪০ রোম লৈরমগনি হায়খিবনি। এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না মদুনা বোম নিপানদগী তরা ফাওবা শাবা কোন্নগনি হায়রি।

# মেদিটরিনিয়নদা শিবা মাইগ্রেন্ট মশীং ১০,০০০ য়ৌখ্রে



ষ্ট্রাসবৌর্গ, জুন ০৮ (এজেন্সী) :
মেদিটরিনিয়ন লাল্লগা য়ুরোপ্তা চৎনবা হোৎনবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪দগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০,০০০ হেন্না শিখ্রে হায়না য়ু এননা হৌখিবা লৈবাকপোকপ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা অফ্রিকাদগী য়ুরোপতা মাইগ্রেন্টশিং লাকপগী চাং ককথনবগী থৌরাং খরা ফোঙদোরকখিবগা ইরোয়ননা য়ু এননা অশিবা মাইগ্রেন্টশিংগী ফিগর অদু ফোঙদোকখিবনি।

মী চা কয়া শিহনখিবা শাথিরবা সিপশিং কায়বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুংদা য়ু এন রিফ্যুজি এজেন্সীনা হায়খি, ঈশিং ইপাক্তা শিখিবা মী মশীং খঙনে হেনগৎলকখ্রে। হৌখিবা জন্যুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ২,৮১৪ ঈশিংদা ইরাক্লদুনা শিখ্রে।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা থোকপা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিসনা য়ুরোপপু খুৎপায় চেৎনা পাইশিনখিবগা লোয়ননা মী শিবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী প্রোব্লেম অদু কন্ট্রোল তৌনবা অথুবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লাকখি।

অঙ্কারাদা হৌখিবা মার্চতা টর্কিদগী মেদিটরিনিয়ন লানবা মাইগ্রেন্টশিংগী মশীং ককথবদা য়ানখ্রবা মতুংদা ব্রসেলজনা অফ্রিকাগী লম্বীদা মাইগ্রেন্টশিং লাকশিন্নবগী খোঙথাংশিং পুথোক্লবা হোৎনরকখি।

"অসিগুম্বা চাংদা মীগী পুন্সি লোম্বা হায়বসি ঐখোয়না তুমিন্না লৈশিন্নিঙাই ওইদবা ফীভম অমনি, মসি লেপ্পবা ঐখোয়না তৌবা য়াবা খূদিংমক তৌগদবনি" হায়না য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ফ্রাঞ্জ টিম্মরমান্সনা হায়খি।

মাইগ্রেন্টশিং লাকপা হন্থহন্নবা নৎত্রগা লাকহন্দনবা পুথোরক্লিবা অনৌবা প্রপোজেলদা মাইগ্রেন্টশিংগী লাকফমশিং ওইরিবা লৈবাকশিংদা হায়বদি ইথিওপিয়া, নিগর, নাইজিরিয়া, মালি অমসুং সৈনেগল লোয়ননা জোর্দন, লেবানন, টিম্মরমান্সদা য়ুরো বিলিয়ন ৬০ লন্নাই ইনভেষ্টমেন্ট ওইনা থাদহন্নবা ঈ য়ুগী ফন্দশিং শীজিন্নদুনা হোৎনবগী ৱাফম য়াওরি।

# চাইনাগী ফাইটর জেটনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মওংদা অমেরিকান স্পাই প্লেন থৎনবা হোৎনখ্রে : য়ু এস



ভির্জিনিয়া, জুন ০৮ (এজেন্সী) :
ইষ্ট চাইনা সিগী মথক্তা লৈবা ইন্টরনেসনল এয়রস্পেসতা য়ু এসকী স্পাই প্লেন অমা চাইনিজ ফাইটর জেট অমনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মওংদা থৎনবা হোৎনখ্রে হায়না য়ু এসকী দিফেন্স ওফিসল অনীনা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ জে-১০ ফাইটর প্লেন অমা য়ু এস এয়র ফোর্সকী আর সী-১৩৫ রিকোনিসন্স প্লেন অমা থৎনবা হোৎনখিবনি হায়না ওফিসলশিংদুনা হায়খি। মশক মমিংশিংদি ফোঙদোকহন্নিংদবা ওফিসলশিং অদুনা হায়খি, চাইনিজ জেট অমনা য়াম্না ৱাংবা স্পিদতা পাইখিবনা মরম ওইদুনা এয়রক্রুনা ইনকাউন্টর অদু খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না খন্নখি।

হৌখিবা মে থাদসু সাউথ চাইনা সিগী মথক্তা চাইনিজ ফাইটর জেট অনীনা য়ু এসকী ঈ পি-৩ এয়রক্রাফট অমগী ফুট ৫০ মুক্তং লাপথোকপা মফমগী মনুংদা পাইখি হায়না পেন্টাগোন্না ফোঙদোকখি। পেন্টাগোন্না মেগী থৌদোক অদু হৌখিবা চহীদা গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট অমা খোঙ্গাউনৈ হায়না লেপখি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হায়খি, চাইনানা সাউথ চাইনা সিগী মথক্তা এয়র দিফেন্স জোন অমা শেন্নকপা তারবদি মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কাইহৌবা অমসুং লমদম অদুগী তং-তাবগী ফীভম থুগাইনবা হোৎনরকপনি হায়না লৌগনি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা তৌরিবা ক্লেমশিংগী মায়োক্তা ফিলিপিন্সনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগী মতাংদা লাক্লিবা চয়োল খরগী মনুংদা ইন্টরনেসনল কোর্ট অমনা তারক্কদবা রুলিং অমনা মরম ওইদুনা বৈজিংবু এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন নৎত্রগা এ দি আই জেদ (অজিদ) অমা থুনা লাউথোকহল্লকপা য়াই হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা চিংনবা ফোঙদোকখ্রে। থৌওং অসিমক হৌখিবা কুমজা ২০১৩দা চাইনানা ইষ্ট চাইনা সিগী মথক্তসু চথখি হায়রি।

চহী খূদিংগী দোল্লর ত্রিলিয়ন মঙাগী লল্লোন-ইতিক্কী লম্বী ওইনরিবা সাউথ চাইনা সিগী অয়াম্বা শরুক চাইনানা ক্লেম তৌরি। চাইনানা ক্লেম তৌরিবা মফম কয়া ফিলিপিন্স, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া, টাইৱান অমসুং ব্রুনৈনেসু ক্লেম তৌরিবনি। ৱাশিংটননা বৈজিংবু সাউথ চাইনা সিদা খুৎশেমগী ইথৎনচিংবা শেমগৎলবা মতুংদা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎলি হায়না মরাল শীবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, বৈজিংনসু এসিয়াদা য়ু এসকী নেভল পেট্রোলশিং অমসুং এক্সরসাইজশিং হেনগৎলকখিবসু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অমদা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি অশ কার্টরনা হায়খি, এসিয়া-পেসিফিককী মতাংদা য়ু এসনা লৌখৎলিবা খোঙথাংদি থাজবা পীনখিবশিং ঙাক্লবা হোৎনবা, পাঙ্গলসু লৈহনবা অমসুং খূদিংমকপু ঈকায় খুম্ননা থবক তৌমিন্নবনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না চাইনাদা সাউথ চাইনা সিদা কাইহৌবগী থৌওংশিং চথরক্তনবা চেকশিন ৱা পীখি।

# মেগ্নিচ্যুদ ৬.৪গী য়ুহা হাবনা ইন্দোনিয়া নীকহনখ্রে

জকার্টা, জুন ০৮ (এজেন্সী) :
রিক্টর স্কেলদা ৬.৪ য়ৌখিবা য়ুহা হাবা অমনা ঙসি অয়ুক ইন্দোনেসিয়াবু নীকহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী নোর্থ মালুকু প্রোভিন্সতা য়ুম ১৮ অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুহা য়াবগী ইপিসেন্টরদু নোর্থ মালুকু প্রোভিন্সকী টের্নাটি সিটিগী অৱাং নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ১২৪ লাপ্পা মফমগী কিলোমিটর ৫৮ লুবা লৈনুংদা ওইখি হায়না ওফিসল অমনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। য়ু এসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা য়ুহা হাবদু রিক্টর স্কেল ৬.৫ য়ৌই হায়না ফোঙদোকখি।

"য়ুহা হাবা অসিগী ওইনা ঐখোয়না সুনামিগী ৱার্নিং ইস্যু তৌখিদে" হায়না মিটিওরোলোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সীগী ওফিসল ৱাহয়ু কুর্নিয়াৱাননা হায়খি।

য়ুহা হাবা অদুনা মলুকু প্রোভিন্সকী টের্নাটি, হালহাহেরা বারাট টাউন অসুং নোর্থ সুলাৱেসি প্রোভিন্সকী বিতুং অমসুং মানাদো সিটিশিংদা মীয়াম্বু মীপাইবা পোকহনখি হায়না নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনা হায়খি।

# ব্রেন শিদুনা লৈরক্লবা নুপী অমনা মশা-মউ ফরবা অঙাং অমা পোকখ্রে

লিজবন, জুন ০৮ (এজেন্সী) :
পোর্চুগলদা ঙসি থা ৪ ব্রেন শিদুনা লৈরক্লবা নুপী অমনা মশা-মউ ফরবা অঙাং অমা পোকখ্রে।

"কে জি ২.৩৫ লুম্বা অঙাং নুপা অদু চয়োল ৩২গী মতুংদা অরুবা খুদোংথিবা ফীভম লাকপগী খুদম অমত্তা য়াওদনা সিজরিয়ন সেক্সনগী পান্থে শীজিন্নদুনা পোকখি" হায়না প্রোসিজর অদুবু পাঙথোকখিবা লিজবনগী হোস্পিটাল অদুনা হায়খি।

মমা অদু ব্রেন হেম্মরিজ থোকপদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০দা ব্রেন শিরে হায়না লাউথোকখি। "মমাগী পুক্লুংদা মমি তল্লক্লিবা অঙাং অদু মশা ফবগী মতৌ উখি অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগা তান্নরগা মখা তানা মীরোনহন্নবগী ৱারেপ অমা লৌখি। অসিগুম্বা নুপী অমনা অশোইবা য়াওদনা অঙাং পোকপসি পোর্চুগলগী ওইনদি রেকোর্দনি" হায়না হোস্পিটাল অদুনা হায়খি।


**"9th TH. NAVAKUMAR MEMORIAL MERITORIOUS AWARD DISTRIBUTION CEREMONY, 2016"**

*(For bonafide students and players of 1-Khundrakpam A/C)*

**Orgd by** – Heikakmapal Youth Development Club, (HYDC), Heikakmapal Makha Leikai.

**Spond. by** – Th Navakumar Memorial Trust, Sagolmang, Imphal East.

**Date of Programme** : Sunday, the 3rd July, 2016.

**Venue** : Multipurpose Community Hall, Heikakmapal Makha Leikai.

**Form Available Centres**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | L. Binod | Waiton | 9862460212 |
| 2. | N. Ranjan | Pangei Bazar | 9612730267 |
| 3. | Th. Meghachandra | Khundrakpam | 9862491389 |
| 4. | Th. Renu Dukan | Sambei | 8132084399 |
| 5. | M. Romesh | Yumnam Khunou | 9862178647 |
| 6. | N. Basanta Dukan | Sawombung Bazar | 9774142733 |
| 7. | Y. Ibocha Dukan | Heikakmapal Lamkhai | 8132048063 |
| 8. | Th. Jiten Dukan | Taretkhul | 9862898842 |
| 9. | Y. Ibetombi Dukan | Uyumpok Litan | 8118958955 |
| 10. | S. Ingoba Dukan | Sagolmang | 8974780829 |
| 11. | Th. Nanao Dukan | Pukhao Khabam | 8119899283 |
| 12. | Th. Sanjoy | Dolaithabi Bazar | 9862813604 |
| 13. | L. Anand | Ekou Bazar | 9612981774 |

**N.B. :** Last date of form submission on or before 18th June, 2016.
**For details please contact** # 8413821079 / # 8131942117

Sd/-
**Th. Joykumar, Secretary**
Heikakmapal Youth Development Club.

HL-P/8813/9


# কেনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ওপোজিসনগী ঈরাংদা অথিংবা থমখ্রে



নাইরোবি, জুন ০৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা এপ্রিলগী অঙনবা শরত্তগী নিংথৌকাবা খূদিংগী পাঙথোরকখিবা রেলিশিংদা ঈরাং থোকপগী চাং কনখৎলকপদগী কেনিয়াগী ইলেক্টরেল বোদিগী মায়োক্তা পাঙথোকপা ওপোজিসনগী প্রোটেষ্ট পূম্নমক অথিংবা থল্লে হায়না কেনিয়ন গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কেনিয়াগী মথংগী প্রসিদেন্স্যল মীখল কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট য়ৌদ্রিফাওবা পাঙথোকখিরোই। তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং ওপোজিসন লিদরশিং অমসুং মখোয়গী সপ্পোর্টরশিংগী মরক্তা মুক্ত বগী মরক্তা লৈবাক অদুদা টেন্সন ৱাংখৎলক্লি। ওপোজিসন লিদরশিং অমসুং মখোয়গী সপ্পোর্টরশিংনা ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্টরেল এন্দ বাউন্দরিজ কম্মিসন (আই ঈ বি সী)গী সিনিয়র ওফিসলশিংবু প্রসিদেন্ট উহুরু কেনয়াটাগী ফেভরদা থবক তৌই হায়না মরাল শীরি।

কেনয়াটাগী মরু ওইবা রাইবল ওইরিবা রাইলা ওদিঙ্গানা লূচিংবা ওপোজিসন কোলিসন ফোর রিফোর্ম এন্দ দেমোক্রেসি (সী ও আর দি)না মমাঙগী মীখলদসু ভোটর ভেরিফিকেসন ইক্বিপমেন্ট ফেল ওইখি হায়রদুনা আই ঈ বি সী অসি মতিক চাদ্রে হায়খি।

গভর্ণমেন্টকী চেরোল অমনা দেমোন্সট্রেটরশিংবু প্রোটেষ্টশিং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মিলিয়ন কয়াগী লন্নাই অমসুং গভর্ণমেন্টকী লন-থুমশিং মাঙহন-তাকহনখি হায়না মরাল শীখি।

"মখা তানা ঈরাং থোক্তনবা, লন-থুম অমসুং পুন্সি মাঙবা লেপহন্নবা ঙসিদগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লোগী মায়োক্তা ওইবা দেমোন্সট্রেসন খূদিংমক থিংলে" হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ৱেষ্টর্ন কেনিয়াগী ওপোজিসনগী ষ্ট্রোংহোল্ডদা আই ঈ বি সীগী ওফিসশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনখিবা ওপোজিসন শৌগৎপশিংগা খুৎথোক্লখি। রাইঅটশিং অদুদা মীওই অনী শিখি অমসুং মীচমশিং অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল য়াওনা মীওই ৫০ অশোক-অপন নংখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

নোংচুপলোমগী এম্বেসেদরশিংনা পুলিসপু কা হেন্না ফোর্স শীজিন্নৈ হায়না মরাল শীখ্রে অমসুং পোলিটিকেল ঈরাং থোক্লনবা ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অদুদা ৱারী শাননবা আপিল তৌখ্রে।




HL-B/3096/18/05-17/05


## EMPLOYMENT NEWS

**UTTAR PRADESH SUBORDINATE SERVICE SELECTION COMMISSION – UPSSSC RECRUITMENT 2016 – 2172 ACCOUNT ASSISTANT & AUDITOR VACANCIES – LAST DATE 04 JULY**

**UPSSSC Recruitment 2016**

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 2172 Account Assistant & Auditor. Apply Online before 04 July 2016.

**Advt No. : 12-EXAM/2016**

**Job Details :**

**Post Name :** Account Assistant
**No. of Vacancy :** 1917 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Post Name :** Auditor
**No. of Vacancy :** 255 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Categories wise Vacancies :**
**Unreserved :** 1067 Posts
**OBC :** 593 Posts
**SC :** 450 Posts
**ST :** 42 Posts

**Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates must have Graduate in Commerce OR Economics from recognised University OR Post Graduate Diploma in Accountancy.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 to 40 years (As on 01.07.2016)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**How to Apply UPSSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 13.06.2016 to to 04.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 13.06.2016
**Last Date For Submission Of Online Application : 04.07.2016**
**Closing Date for receipt of Application Fee :** 02.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.sarkarinaukrisarch.in/wp-content/uploads/2016/05/upsssc-account-assistant.pdf
**Apply Online :** http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

**UPSSSC RECRUITMENT – 152 AMIN & TOWN CLERK VACANCIES – LAST DATE 11 JUNE 2016**

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 152 Amin & Town Clerk. Apply Online before 11 June 2016.

**Advt No. : 11-EXAM/2016**

**Job Details :**
**Post Name :** Amin
**No. of Vacancy :** 124 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Post Name :** Town Clerk
**No. of Vacancy :** 28 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-

**Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates must have pass 10+2 (Intermidiate) exam any recognized Board.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 40 years (As on 01.07.2016)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.185/-
**For SC/ST Category :** Rs.95/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**
**How to Apply UPSSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 25.05.2016 to 11.06.2016 (Part-I) and up to 15.06.2016 for Part-II.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 25.05.2016
**Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) :** 11.06.2016
**Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) :** 15.06.2016
**Closing Date for receipt of Application Fee :** 13.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=521&flag=H&FID=1190
**Apply Online :** http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

**WESTERN COAL FIELDS LIMITED – WCL RECRUITMENT 2016 – 52 SURVEYOR (MINING) VACANCY – LAST DATE 24 JUNE**

**WCL Recruitment 2016**

Western Coal Fields Limited (WCL) invites Application for the post of 52 Surveyor (Mining). Apply before 24 June 2016.

**Advt. No. : WCL/IR/MP/Rectt./1568**

**Job Details :**
**Post Name :** Surveyor (Mining)
**No. of Vacancy :** 52 Posts
**Pay Scale :** Rs. 20552.37/- (Per month)

**Eligibility Criteria for WCL Recruitment :**
**Educational Qualification :** Matriculation and surveyor's certificate issued by DGMS or Diploma in mining & mine surveying and surveyor certificate issued by DGMS.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 30 years (as on 01.03.2016)
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**Job Location :** Nagpur (Maharashtra)
**Selection Process :** Selection will be made on Written Test Only.
**Application Fee :** Candidates belonging to General/ OBC have to pay Rs. 100/- through Demand draft from any Nationalized Bank drawn in favour of Western Coalfields Limited, Nagpur, Payable at Nagpur. SC/ST Candidates are exempted from the payment of fee.
**How to Apply WCL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested copies of relevant documents, experience certificate & recent four passport size photographs send To General Manager P/IR, Western Coalfields Limited, Coal Estate, Civil Lines, Nagpur-440001 on or before 16.04.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 24.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://westerncoal.nic.in/sites/default/files/userfiles/revised%20mining%20sirdar-march-2016.pdf